

# সনালৈবাক স্পোর্টস



TUESDAY, JANUARY 21, 2014, PAGE 7


*মুম্বাই মরাথোনদা মায় পাক্লবা কেনিয়াগী ইভান্স রুটু*

*সনিয়া মিরজা অমসুং মহাক্কী দবলসকি টিম মেদ করা ব্লেকনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মায় পাক্কুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবা*


# ফেদরর, নদাল মায় পাক্কুনা মখা তাবা রাউন্দ চঙখ্রে

*মেলবোর্ন, জনুৱারি ২০ঃ*

রোজর ফেদররনা ক্বার্টর ফাইনেলদা এন্দি মুরেগা থেংনগদৌরি। মসি ঙসি শান্নখিবা ৪ শুবা রাউন্দগী মেটচতা মহাক্না ৱিলফ্রেন্দ টসোঙাবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীদুনা ৪ শুবা রাউন্দ মায় পাকখ্রে।

গ্রান্সলাম চেম্পিয়নদা রেকোর্দ থল্লিবা ফেদররনা ফ্রেন্সিকি ১০ শুবা সিটতা লৈরিবা টসোঙাবু ঙসি রোদ লভর এরিনাদা শান্নখিবা ৪ শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৬–৩, ৭–৫ অমদি ৬–৪ দা মায়থীবা পীখিবনি।

স্বিজকি শান্নরোই অসিনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন অসিদা ক্বার্টর ফাইনেল থংনা থংননা চঙলকখিবসি হন্দক্কি অসি থারগা ১১ রক শুবনি। লোয়ননা মহাক্কী পুন্সিদা গ্রান্সলামগী ক্বার্টর ফাইনেল ষ্ট্রেটতা চঙবনা ৪১ শুবা ওইরি। মহাক্না হৌজিক ফাওবদা আমেরিকাগী শান্নরোই অমা ওইরিবা জিমি কোনরগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবগী মশীং অসি মান্নরি।



ফেদররনা এন্দি মুরেগা ওপন অসিগী সেমি ফাইনেলদা থেংনখিবসি ইং ২০০৮ দনি। সেমি ফাইনেল মেটচ অদুদা মহাক্না এন্দি মুরেবু মায়থীবা পীন্নবা হোৎনবদা মায় পাকপা ঙমখিদে। মুরেনা সেট ৫ মক মায় পাক্কুনা চহী অদুদা ফাইনেল চঙখি।

ঙসি শান্নখিবা ৪ শুবা রাউন্দ অসি থারগা টসোঙাগা মহাক্না গ্রান্সলামদা থেংনবসি হন্দক্কি অসি থারগা ৬ লক শুবনি। মসিদা মহাক্না ৪ রক মায় পাকপা ঙমখি। হন্দক্কি অসিদসু মহাক্না মায় পাকপা ঙমখ্রে।



নদালসু ঙসি শান্নখিবা ৪ শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা মহাক্কী ওপোনেন্ট ওইরিবা বুলগেরিয়াগী গ্রিগোল দিমিটোভাবু ৭–৬ (৭–৩), ৭–৫, ৭–৬ (৭–৩) দা মায় পাকপা ঙমখি। মসিদা চাউরাক্না পুং ৩.১৭ চঙখি। মহাক্না ক্বার্টর ফাইনেল থেংনগদৌরিবা জপানগী শান্নরোই কৈ নিসিকোরিগা শান্নগদৌরি। নিসিকোরি হন্দক্তা নৌনা মতম অমগী টেনিস প্লেয়র ওইরম্বা চাইনাগী শান্নরোই ওইরগসু আমেরিকাগী শান্নরোই অমা ওইনা শরুক য়াখিবা মাইকেল চেংবু মহাক্কী অনৌবা কোচ ওইনা থমদুনা হন্দক্কি ওপন অসিদা ক্বার্টর ফাইনেলগী থাক ফাওবা হৌরকখিবনি।



গ্রান্সলাম টাইটল ১৩ রক ফংলবা স্পেনিস মচা রাফেট নদালনা ঙসিগী মেটচ অদুগী ৪–৪ দা লৈবা মতমদা অম্পয়র চিয়ারদা ফল্লিবা ইভাগী দিসিজন অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোকখি। মসি অনীশুবা সেট ওইনা টাইব্রেক শান্নখিবা অরোইবা সেট অদুদনি।

মেটচ মায় পাক্লবা মতুংদা নদালনা ফোঙদোকখিবদা নিসি কোরি হায়বা শান্নরোই অসি য়াম্না য়াঙবা শান্নরোই অমনি। মহাক্না মাগী মায়কৈ তম্না য়ৈখিবা বোল অমা য়াম্না থুনা মঙোন্দা হল্লকই। মহাক্না ফিল্ড থুংনা কোইচেন চেনবা শান্নরোই অমনি হায়না ৱার্ল্ড নম্বর ১ ওইরিবা শান্নরোই অসিনা মখা তাখি।



অমরোমদা নুপীগী অনীশুবা সিটতা লৈরিবা বেলারুসকি ভিক্টোরিয়া অঞ্জরেনকানা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা আমেরিকাগী নহা ওইরিবা শান্নরোই স্লোনি ষ্টেফেনবু সেট ৬–৩, ৬–২ দা মায়থীবা পীখি। মসিদা চাউরাক্না মিনিট ৯১ চঙখি।

শান্নরোই অসিনা ব্লুমেন্সকি সিঙ্গলস টাইটল ফংবা য়াবগী আশা চাউনা লৈরি। মরমদি ওপন অসিদা চেম্পিয়ন ওইগনি হায়না আশা চাউনা তৌরম্বা ৱার্ল্ড নম্বর ১ ওইরিবা আমেরিকাগী শান্নরোই সেরিনা ৱিল্লিয়মসবু মতম অমগী ৱার্ল্ড নম্বর ১ ওইরম্বা ইভানোভিকনা মায়থীবা পীদুনা কপ অসিদগী মপাল থোকহনখ্রে।

মহাক্না হন্দক্কি কপ অসিগী সিঙ্কলস টাইটল অসি ফংলবদি মার্টিনা হেঙ্গিসকুম্না থংনা থংননা চহী অহুম চেম্পিয়ন ওইবগা চপ মান্নরগনি। মরমদি ভিক্টোরিয়ানা ইং ২০১২ অমদি ২০১৩ তা চেম্পিয়ন ওইখি। হন্দক্কি ২০১৪ গী চেম্পিয়ন ওইগদৌরিবনি। মার্টিনা হেঙ্গিসনা ইং ১৯৯৭ তগী ১৯৯৯ ফাওবা নুপীগী টাইটল লৌখিবা শান্নরোই ওইখি।

অমরোমদা চেম্পিয়নসিপ অসিদা আশা তৌরম্বা রুসিয়াগী নুপী শান্নরোই ৱার্ল্ডগী ৪ শুবা সিটতা লৈরিবা মারিয়া সরাপোভাসু ৪ শুবা রাউন্দদা মায়থীবা নঙদুনা কপ অসিদগী লৈহৌরে।

# জিরি কপকি মেটচতা এ আরনা ৱাই এল সি থোইখ্রে

*জিরি, জনুৱারি ২০ঃ*

ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েন্না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েংখাদা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুল প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা ১০ শুবা জিরি কপ ইনভিটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ২৭ শুবা এ আরনা য়াইফা লমজিংলেন্দ ক্লব দিবোংখুনৌবু টাইব্রেক্তা গোল ৫–৩ দা মায়থীবা পীখ্রে।

অহানবা হাল্ফকী মতম লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চনবা ঙম্নখিদে। সেকেন্দ হাল্ফ হৌদুনা মখা তানা শান্নরকখি। মেটচকি ৫১ শুবা মিনিটতা ২৭ শুবা এ আরগী এল হাওকিপনা গোল ১ চন্দুনা ১–০ দা লৈখি। মেটচ অসিগী ৭১ শুবা মিনিটতা য়াইফ লমজিং ক্লব দিবোংখুনৌগী রেদিমসননা গোল ১ চন্দুনা ইক্বেলাইজ তৌবা ঙমখি।

টিম অনীমক্না অপীবা মতমদা গোল চনবা ঙম্নদবদগী কিক ওফ দি পেনালটি মার্গনা দিসাইদ তৌখি। মসিদা ২৭ শুবা এ আরনা গোল ৪ অদুগা য়াইফ লমজিং ক্লব দিবোংখুনৌনা গোল ২ চনবা ঙমখি।



ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা য়াইফ লমজিংলেন্দ ক্লব দিবোংখুনৌনা টোস ঙমদুনা সাইট খনখি অদুগা ২৭ শুবা এ আরনা বোল কাউদুনা শান্নবা হৌখি।

# পেজ, সনিয়া অমদি বোপানানা মিক্স দবলদা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে



*মেলবোর্ন, জনুৱারি ২০ঃ*

লেন্দর পেজকি মিক্স দবল টিম্না মহেস ভুবটিগী মিক্স দবল টিমবু মায়থীবা পীখ্রে। সনিয়া মিরজাগী মিক্স দবল টিম য়াওনা বোপানা ক্বার্টর ফাইদেলদা চঙশিনবা ঙমখ্রে।

লেন্দর পেজ অমসুং মহাক্কী স্লোভেকিয়াগী পার্থনর দনিলা হন্তুচোভাগী মিক্স দবল টিম অসিনা মহেস ভুবটি অমদি ইলানা বেসনিনাগী টিমবু ৬–০, ২–৬, ১০–৬ তা মায়থীবা পীখিবনি।

অমরোমদা সনিয়া মিরজা অমদি মহাক্কী জিম্বাৱেগী পার্থনর করা ব্লেককি মিক্স দবল টিম্না কনাদাগী ইউগেনি ব্রুচার্দ অমদি রুসিয়াগী বেরাগী টিমবু ৬–৪, ৬–৩ দা মায়থীবা পীখি। মসিদা চাউরাক্না পুং ১.১২ চঙখি। টিম অসি নুপীগী দবলসকি ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোই অসিনা রোমানিয়াগী পার্থনর হোরিয়া টেকাওগা খূৎশম্নদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী অনাষ্টাসিয়া রোদিনোভা অমদি বৃটেনগী কোলিম প্লেমিংবু ৬–২, ৬–২ দা ঙসি শান্নখিবা মিক্স দবলগী প্রি ক্বার্টর পাইনেলদা মায়থীবা পীবগা লোয়না ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে। মেটচ অসিদা চাউরাক্না মিনিট ৫১ চঙখি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী রোহন বোরাপা অমসুং মহাক্কী স্লোভেনিয়াগী টিম্না ক্বার্টর ফাইনেলগী মিক্স দবলদা ওষ্ট্রেলিয়াগী মিক্স দবল টিম্বু ৭–৬ (৫) অমদি ৭–৫ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

# ওষ্ট্রেলিয়াগী সাইক্লিস কাদেল ইভান্স মশাগী চহী ৩৭ তা শান্নবদগী পোত্থারগনি

*এদিলেদি, জনুৱারি ২০ঃ*

টুর দি ফ্রেন্সতা ৱিন্নর ওইখিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী সাইক্লিস কাদেল ইভান্স লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ১৪ দা মশাগী চহী ৩৭ শুবগা লোয়ননা সাইক্লিং হায়বা মশান্না অসিদগী পোত্থরগনি হায়রি।



শান্নরোই অসিনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী ওইনদি চহী ৩৭ তা পোত্থাবা অসি মহাক্কী অপাম্বা অমদি ওইদে হায়না ফোঙদোকখি। মহাক্কী অপাম্বদি হন্দক ইটালিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা গিরো দি ইটালিয়া অসিদা মহাক্কী ওইবা কেরিয়র অমা শেল্লম্বা পাম্বগী ৱাফম ফোঙদোকখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা ফ্রেন্স টুর অসগা মরী লৈননা মহাক মশাগী চহী ৩৭ চপ চানা মপুং ওইগদৌরিবসি মথং থাগী ১৪ নি। অদুবু ঙসি মফম অসিদা মহাক্না হান্না লৈরম্বা অদুদগী খজিক্তং হন্থরগসু মাঙদা তারিবা গিরো দি ইটালিয়া হায়বা অসিদা অনৌবা খোঙথাং অমা লৌখৎপা পাম্বী।

মশাগী ওইবা হোৎনজবা কয়না ঙসি মহাক্না সাইক্লিং হায়রিবা মশান্না অসিদা টোপ লেভেলদা য়ৌবা ঙম্নকখিবনি। ইং ২০১১ দা মহাক টুর্নামেন্ট খরদা অহানবা অমসুং অনীশুবা পোজিসন তাখি। তুংদা লাক্কদবা ইভেন্ট খরদসু মহাক মেদল খরদি লৌখিগনি হায়বগী থাজবা মঙোন্দা লৈরি। হৌজিকমক ওইনা মশান্না অসিদগী পোত্থাবা হায়বসি য়াম্না ঙনমল্লি হায়না ফোঙদোকখি।

ইভান্সনা ইং ২০০৯ দা পাঙথোকপা ৱার্ল্ড রোড চেম্পিয়নসিপতা টাইটল লৌবা ঙমখি। হন্দক্কি অসিনা মহাক্না শক ২০০৫ দগী হৌনা টুরগী ফ্রান্স হায়রিবা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারকপদা হন্দক্কি অসিনা মহাক্না ৩৯ শুবা পোজিসন তাখিবনি। শক ২০১২ দা পাঙথোকখিবা টুরগী ফ্রেন্সতা মহাক মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইদুনা ৭ শুবা পোজিসন তাখি।

মমাঙগী চহীদা পাঙথোকখিবা বি এম সি টিম রেচিং প্রোগ্রামদা ইভান্সনা অহুমশুবা পোজিসন তাবা ঙমখি। হন্দক্কি গিরো দি ইটালি হায়বা টুর মেটচ অসিদা মহাক্না হান্নদগী হেন্না মাঙজিল থাবা ঙম্বগা লোয়ননা পোজিসন লৌবা ঙমগনি হায়খি। মহাক্কী হোম কন্ত্রিদা মমাঙগী হপ্তাদা পাঙথোকখিবা রোড চেম্পিয়নসিপ অমদা মহাক্না ২ শুবা পোজিসন তাখি হায়না শান্নরোই মশান্না ফোঙদোকপগা লোয়ননা হন্দক্কি চহী অসিদা পাঙথোক্কদবা টুর্নামেন্ট খরদা মহাক্না মেদল লৌদনা রেঙ্ক হন্থনা লৈরবসু লাক্কদবা য়ু সি আই ৱার্ল্ড টুরদা আশা চাউনা থল্লি হায়খি।

# শান্নবুংদা টেলেন্ট হন্দ্রিঃ উষা

*হায়দরবাদ, জনুৱারি ২০ঃ* লৈবাক অসিদা শান্নবগী ঈহৌ অসিদা শান্নরোইশিংনা লৌরিবা থৌদাং কয়া অসি শিথরে হায়না মীওই কয়ানা ফোঙদোক্লরি। অদুবু ৱার্ল্ডগী থাক্তা পাঙথোকপা তোঙান তোঙানবা চেম্পিয়নসিপ কয়াগী রিজল য়েংলুরগদি ঐখোয়গী শান্নরোইশিংগী টেলেন্ট অসি শিথবা নত্তে হায়না মতম অমগী স্পিন্টর পি টি উষানা একাদমি হাংদোকপগী থৌরম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

পি টি উষানা মখা তানা হায়, হৌজিক ইন্দিয়াগী শান্নবগী টেলেন্ট অসি শিথবা লৈত্রি। অদুমওইনমক পূক্নিং থৌগৎপীনবা অমদি হরাও তয়াম্না ট্রেন তৌনবা মীওই মশীং য়ামদে। করিগুম্বা মখলগী চেম্পিয়নসিপ অমদা শান্নরোই অদুগী হোৎনজমন্না মেদল অমা লৌরকপদা পুক্নিং থৌগৎপীবা অসি নত্তনা অতৈ মতমদা শান্নরোইশিংদা করি করি অৱাৎপা লৈরিবগে হায়বসি কনা অমত্তনা য়েংবিদে হায়না স্কেষ্টদেল এথলেটিক একাদমি হাংদোকপগী থৌরমদা মহাক্না পনখি। ময়াম অসিগী মনুংদা ট্রেগ এন্দ ফিল্ডতা লৈরিবা এথলেটশিং অসিগা টিম ওইবা শান্নরোইশিংগা খেন্নবা কয়া অমসু লৈ হায়না মহাক্না পনখি।


## ANGELS' COACHING CENTRE (ACC)

URIPOK POLEM LEIKAI

ADMISSION OPEN FOR

MOCK TEST 2014

| PREVIOUS MOCK TEST RESULT 2013 | | HSLCE RESULT 2013 |
|---|---|---|
| MIRANDA M. (NBS) | 1st RANK | 1st |
| SYDENNY TH. (LFS) | 2nd RANK | 6th |
| RATIMANJURI H. (NBS) | 3rd RANK | 3rd |
| MIRANDA O. (NBS) | 4th RANK | 5th |
| VIVEK A. (St. Joseph) | 5th RANK | 14th |
| REMA N. (NBS.) | 6th RANK | 15th |
| S. SADA (LFS) | 7th RANK | 16th |
| CHITRA KH. (NBS) | 8th RANK | 16th |
| S. BIDYALAXMI (LFS) | 7th RANK | 22nd |
| BIDYALUXMI NG. (LFS) | 8th RANK | 24th |
| Prescila RK. (NBS) | 9th RANK | 24th |
| S. Linthoingambi (LFS) | 10th RANK | (89.6%) |
| Michael H.(Catholic) | 11th RANK | (88.4%) |
| Daniel H.(St. Joseph) | 12th RANK | ( 87%) |
| Rebika Kh.(LFS) | 13th RANK | (87%) |
| Kelveen Raj(St. Joseph) | 14th RANK | ( 86.6%) |
| Evylyn G.(NBS) | 15th RANK | (86.4%) |
| O. Babykalpana(PS Ningthoukhong) | 16th RANK | (85%) |
| Raveria Th.(NBS) | 17th RANK | (83.2%) |
| N. Polendro(Heritage) | 18th RANK | (82%) |
| L. Binju (LFS) | 19th RANK | (80.4%) |
| Devia RK.(Alpha BCI) | 20th RANK | (78.4%) |

MEGA MOCK TEST 2014

TIME : 10:30 A.M. TO 1:30 P.M.

| DATE | SUBJECT | MARKS |
|---|---|---|
| 10-01-2014 | S/SCIENCE | 80 |
| 19-01-2014 | SCIENCE | 80 |
| 25-01-2014 | MATHS | 80 |
| 02-02-2014 | ENGLISH | 80 |
| 09-02-2014 | ADDL. ENG./ MIL/THADOU | 80 |

Contact No.: 9856988840--9863222153--9863265726


# কেনিয়াগী এথলেটনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে

*মুম্বাই, জনুৱারি ২০ঃ*

ষ্টেন্দর করেক্টর মুম্বাই মরাথোনদা চহী ৪ গী মতুংদা কেনিয়াগী ইভান্স রুটোনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে। চেম্পিয়ন ওইরবা শান্নরোই অসিনা ফোঙদোকখিবদা স্কুল তম্লিঁঙৈ মতমদগী হৌনা স্কুল কাবা চৎপদা চেন চেন্দুনা লাকখিবা শান্নরোই অসিনা অমুক নৌনা মনা ফঙলকপা অসিদা চিংননিঙাই লৈতে হায়না ফোঙদোকখি।

মুম্বাই মরাথোন অসিদা লোরেস কিমাইয়োনা পুং ২.৯□□ঃ৪৫ দা লমথুংফম য়ৌদুনা অনীশুবা পোজিসন তাখি। অদুগা ফিলেমোন বারুনা পুং ২.৯ঃ৫৮ দা লমথুংফম য়ৌদুনা অহুমশুবা পোজিসন ফংখি। কেনিয়াগী শান্নরোই অসিনা ইং ২০০৯ দা পাঙথোকপা মুম্বাই মরাথোনদা অহানবা পোজিসন ফংখিবনি। মহাক্না মরাথোন অসিদগী চহী ৪ পোত্থারুরগা হন্দক্কি অসিদা য়াওদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

মরাথোন অসিদা ঙসি ফাওবদা কেনিয়ানশিংনা মখোয়গা কন্টিনেন্ট অমত্তদা লৈমিন্নরিবা ইষ্ট আফ্রিকাগী রাইবেল টিম অমা ওইরিবা ইথোপিয়াদগী মেদল কয়া মুন্দুনা লাক্লি। কেনিয়াশিংনা মরাথোন অসিদা ফার্ষ্ট, সেকেন্দ অমদি থার্দ তাদুনা লাকখিবা অসি ইং ২০০৬ তগীনি। রুটোনা হন্দক্কি চহী অসিদা মমাঙগী চহীদা উগান্দদগী শান্নরোই জেক্সন কিপরোপনা থল্লম্বা রেকোর্দ অদুদগী সেকেন্দ ১ খক ঙনখৎনা থম্বা ঙমখি।

মহাক্না লমথুংফম য়ৌরকপদা পুং ২.৯ঃ৩২ চঙখি। মসিনা তাকপদি মশাগী চহী ৩০ শুরবা শান্নরোই অসিনা মমাঙগী ৱিন্নরদগী য়ু এস দোল্লর লীশিং ১৫ হেন্না মনা ফঙদুনা জেকপোর্ট ফংবা শান্নরোই ওইবা ঙমখ্রে। মহাক্না অহানবা মনা ফংবগা লোয়ননা য়ু এস দোল্লর লীশিং ৪১ ফংখি। মহাক্না মায় পাক্লবা মতুংদা মুম্বাইদা পাঙথোক্লিবা মরাথোন অসিদা মহাক্না মখা তানা য়াওদ্রবসু মহাক্কী মরুপ মপাং কয়া অমা শোইদনা শরুক য়াখিগনি। অমদি চহী অহল ওইরবসু মথংগী চহীদসু মহাক শোইদনমক্কী মরাথোন অসিদা চেম্পিয়ন ওইগ্নবা রুটোনা ফোঙদোকখি।

নুপীগী মরাথোন অদুদা মমাঙ চহীগী রন্নর্স অপ তাখিবা ইথোপিয়াগী দিননেশ মেকাশনা পূং ২.২৮ঃ৮ দা লমথুংফম য়ৌখি। মহাক্কী মতুংদা কেনিয়াগী গ্লান্দেস কিপসোইনা সেকেন্দ অদুগা উরগেসিয়াগী বিজুশনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।


## Millennium Institute of Sciences

*Presents for the first time*

## MILLENNIUM SCHOOL

From 2014-15 Academic Session opening

**Daycare, Prenursery, Nursery Classes & K.G.**

From this Academic Session onwards at Sagolband Salam Leikai, Imphal - 795001

**Special features :** AC room for daycare

- ✓ Home away from home for day care
- ✓ Hygienic mid day meal for day care
- ✓ Audio Visual Classrooms
- ✓ Play-way method of teaching system
- ✓ Well equipped teaching and playing materials of latest technologies
- ✓ Well experienced and trained faculties with seniors from Delhi Public School.

*Form available from 7th November 2013*

@ Millennium School Office, Sagolband Salam Leikai.

& Millennium Institute of Sciences, Kwakeithel Mayaikoibi.

SL/29/19/B